# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-03-2025)**

**জজ (এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা আইনগী থবকশিং করমা পায়খৎলি অমদি ইরাংনা শোকহল্লবশিং হকথেংননা য়েংশিন্নবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ তরুক মনিপুরদা ঙসি লাক্কদৌরি।

জষ্টিস-বি.আর. গভাইনা লুচিংবা জর্জশিং অদুদি-সুরিয়া কান্ত, বিক্রম নাথ, এম.এম. সুনদ্রেস, কে.ভি. বিশ্বনাথন অমদি এন.কোতেশ্বরনি। মখোয়না রাজ্য অসিদা হেক থুংবগা চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা জিলাগী সদভাবনা মা দবতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লিগেল এদ কেম্প হৌদোক্কনি অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিংসু খুৎশিন্নগনি।

মদুগী তুংদা, বিষ্ণুপুর জিলাদা লাক্ত্না মোইরাং কলেজতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতসু তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোক্কনি। লোয়ননা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদবা মনিপুর হায় কোর্ট হাংদোকখিবা চহি ১২ ফাবগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবা ৮ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উচোল মখা লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চিংঙাংবম লৈকাই কম্যুনিতি হোল মনাক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ

প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসিসু মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা খঙবা ঙমলে হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অহুম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লৈবা মশা মশাগী য়ুমদগী ফাগৎলে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা ইনসাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি, ইয়ার গন অনি, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, ইনসাস এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, এস.এল.আরগী মেগজিন অমা য়াওনা খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। মখা তানা পুলিসকী কাংবু অসিনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অসিমক্কী মীওই অমসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, মনিপুর অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং লাংজিং বজারদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাগৎখি। লোয়নননা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনসু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইরাং লমখাইদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফাগৎখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট, সি.আর.পি.এফ. অমসুং ৩৮ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উচাথোল ময়াই লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পোকখায়বা বোমগী মচাশিং য়াওনা ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০ ফাগৎখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-থা অসিগী ২০ দা অককবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক থ্বারোক্কী অকোইবদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা

ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অনি, থ্রি নোট থ্রিগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনসু কে. গেলজাং অমসুং কে. পাটবুং খুলদা থিবা হুন্থবগী থবক চথুবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। জিরিবাম পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনসু মোলজোল এন্দ বিনসেলু রবর প্লানটেসনদা থিবা হুন্থবগী থবক চথুবদা পোকখায়বা য়াবা বোমগী মচাকশিং য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

**ম্যান্মার (এল) ঃ** মনিপুরদা আইন কায়না চংল্লকখিবা ম্যান্মার মচা ২৭ ঙরাং ম্যান্মার ওথোরিতিদা খুৎশিন্নখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা শজিৱাদা লৈবা মনিপুর সেন্ত্রেল জেলগী দিটেন্সন সেন্টরদা লৈরকখিবা ম্যান্মার মচাশিং অদু ম্যান্মার ইমিগ্রেসন ওফিসারদা শিন্নখি। ঙমখৈ সহর মোরেগী ইন্দো-ম্যান্মার ফেন্দসিপ ব্রিজতা ভারতকী ওফিসিএলশিংনা ম্যান্মার মচাশিং অদু হৌনবী মতুং ইন্না ম্যান্মার ওথোরিতিদা শিন্নখিবনি।

**মুকেস (এল) ঃ** থা অসিগী ১৬ কী নুমিদাংৱাইরমদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা লুৱাংথেম মুকেসপু অশোয় অঙাম য়াওদনা ইমুং মনুংদা শিন্নবীয়ু হায়না ঙরাং ইমুং মনুং অমদি জে.এ.সিনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাদা তকশিনখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা মুকেসকী ইমুং মনুং অমসুং জে.এ.সিগা উন্নবা অদুদা জে.এ.সিগী মায়কৈদগী হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা মুকেসকী লৈফম খঙদোকবা অমদি মহাকপু অশোয় অঙাম য়াওদনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবীনবা রাজ্যপালদা তকশিনখি। রাজ্যপালনসু মুকেশপু ফংনবা হোৎনবদা সরকারগী মায়কৈদগী অঙাম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) গী দাইরেক্তর জেনরেল-অনুরাখ গার্গ, নোর্থ ইষ্ট রিজনগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর-মোনিকা অশিশ ভত্রা অমসুং এদিসনেল দিরেক্তর-প্রকাশ চন্দ্র মিশ্রানা লুচিংবা এন.সি.বিগী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপালগসু উন্নখ্রে।

**বিষ্ণুপুর (এল) ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেন্ট কো-ওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা) গী মীফম ঙরাং জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটেরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু দিসা কমিতিগী চেয়ারপার্সনসু ওইরিবা লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সভাপতি ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিবলপমেন্ট এজেন্সি (দি.আর.দি.ও) বিষ্ণুপুর শিনদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হকশেল, শিক্ষা, পঞ্চায়েটি রাজ, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট, লেন্দ এন্দ রিছোর্সেস, ফুদ এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, ভেটিরিনারি, ত্রান্সপোর্ট অমসুং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা মথৌ তৌরিবা কর্ম্মচারিশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা এম.পি. অঙোমচা বিমোলনা জিলা অসিদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মখাদা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং কুপা য়েংশিনখি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা টেরোরিজমগী থৌওংশিং মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমলে।

মহাকা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা জন্মু অমসুং কাশ্মিরদা টেরোরিজমগা মরী লৈননা শিবা মীগী মশিং চাদা ৭০ দা হন্থহনবা ঙমলে অমদি টেরোরিজমগী থৌওংশিং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমলে।

ঙরাং রাজ্য সভাদা খন্ন-নৈনবগী পাউখুম অমদা শ্রী সাহ্না হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমহল্লে। মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা থেংনরম্বা শিংনবা অহুম-জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী টেরোরিজমগী থৌওংশিং, লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী লালহৌবগী সমস্যাশিং অসিনা লৈবাক অসি চাউখৎ লম্বীদা অয়েৎ অপন পীরম্বনি। অদুবু, সরকার অসিনা হায়রিবা সমস্যাশিং অসি লাকশিনবা ঙমলে। মহাকা হায়-মথং চহিগী মার্চ ফাওবদা নেক্সলাইটকী থৌওংশিং মপুং ফানা মুথৎপা ঙম্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হোম মিনিষ্ট্রিনা নোর্থ ইষ্টকী অফস্পা রিভিয়ু তৌখিবা, মনিপুরদা এন.আর.সি. চৎনহনবা ঙমদ্রিবা ফাওবা দিলিমিটেসন তৌদনবা কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং মনিপুরদা কাংলোন চুমদনা চংল্লকখিবা ম্যান্মার মচা ২৭ মরমদমদা হলহনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওহবা পাউশিং ওইরি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা নোর্থ ইষ্টকী অফস্পা রিভিয়ু তৌখিবগী পাউগা লোয়ননা আর্মিনদি তম্পাক্কী মফম পুমমক্তা অফস্পা চৎনহন্নিংলি, ৱারেপতি হোম মিনিষ্ট্রিনা লৌগনি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

দিলিমিটেসনগী মমাংদা মীতোপ খন্দোক্কদবনি। শান্তি লাকবা ৱাফমশিং কোকোমিনা থল্লক্লি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি. মপুং ফানা চৎনদ্রিবা ফাওবা দিলিমিটেসন তৌবা, কন্সটিটু্যয়েন্সিশিং শেমদোক শেমজিন তৌবা য়ারোই হায়বা কোকোমিগী ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, গানফিয়ু মেলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতনা সু গ্রুপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি। এন.আর.সি. চৎনদ্রিঙৈ দিলিমিটেসন পাঙথোকপা য়ারোই হায়না হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-কাংলোন চুমদনা মনিপুরদা চংল্লকখিবা ম্যান্মার মচা ২৭ থিনদোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

পোকফমদা-রিমসপু এইমসকী থাক্তা অপগ্রেট তৌনবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিস্তর-প্রতাব রাও যাদবগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-মুকেশকী লংলা লংজিন পুথোকবা সরকারনা হোৎনরি হায়বা গভনরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। মুকেশ লংলা লংজিন পুথোক বা গভনরদা তকশিনখিবগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-সুপ্রিম কোর্টকী জজ তরুক্কী ঙসিগী খোঙচৎ মীতৈ জজশিং, চুরাচান্দপুর চৎপা য়াওরোইদৌরে, ঐখোয়গী দিষ্ট্রিক্টতা খোঙদাবীরক্কনু হায়রকখিবা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী মথক্তা বার কাউন্সিল অমসুং অম্বানা এক্সন লৌরোইদ্রা হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা চহি নৌরিবী নুপীমচা হাৎলগা লংথোক্লম্বগী পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।